# কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখিবদগী কোভিদ মায়োক্নবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে



আইজোল, জুলাই ১৫ (এজেন্সি): মিজোরামদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লিঙৈ মরক অসিদা নেসনল হেল্থ মিসনগী মখাদা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক তৌরিবা হেল্থ ৱার্করশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখিবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়চৎ মায়োক য়ানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা হৌখ্রে। অমরোমদা হৌখিবা পুঙ ২৪ দা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১১৯ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মশিং ২,৩০,৩৪৮ শুখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ১১ দগী হৌরগা নেসনল হেল্থ মিসনগী মখাদা লৈরিবা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংনা মখোয়বু রিগ্যুলরাইজেসন তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা লাকখিবনি। অদুবু হোস্পিটালদা লাল্লিবা পেসেন্টশিংগী য়েংলগা মখোয়গী খোঙজং অদু হন্দাকখি অমদি থা অসিগী ১৩ দা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসর অমগা ৱারী শান্নখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ৱারী অদুদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমখিদবা অমদি গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী থাজবা অমত্তা পীরক্তবদগী থবক লেপ্পগী খোঙজং অমুক হন্না চঙশিল্লকখিবনি হায়রি। অদুবু মখোয়না তৌরিবা দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা অনীখক্তা ওইরবসু লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরবদি মখোয়গী খোঙজং হন্দোক্লবা শেম শাদুনা লৈসু হায়রি।

নাকল অমরোমদা ষ্টেট অসিদা হৌখিবা পুঙ ২৪ দা কোভি-১৯ গী অনৌবা কেস ১১৯ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনা ২,৩০,৩৪৮ শুখ্রে। নুমিৎ খরনি অসিদা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী কেস হেনগৎলকখ্রবসু লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীশি মীনা থোকহনবগী পাউদি লৈত্রি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরল্লি।

মিজোরামদা ওইরল্লিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙানা লায়চৎ অসিদগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্নবা অমদি লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা অপীল তৌরল্লি।



এম য়ুগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনী চুপ্পা হায় পর্ফোমেন্স কম্প্যুটিংগী মতাংদা চত্থগদবা নেসনল ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ভি সীনা ৱা ঙাঙখিবা

## হোটেলদা ষন হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নদনবা খঙহনখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) : অরুনাচল প্রদেশতা ষন হাৎপা অমদি য়োনবা থিংবগী মতাংদা পায়খৎলকপা অহানবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা ষন অশেন্বা য়োনবা অমদি চাননবা অথোংবা য়োল্লিবা হোটেলশিংগী সাইনবোর্দতা ষন হোটেল নৎত্রগা ষন য়াওবা মমিং খুদিংমক্তগী ষন হায়রিবা ৱাহৈ অসি মখা তানা শিজিন্নদনবা অমদি হান্না লৈরিবা সাইনবোর্দশিংদগীসু লৌথোক্লবা ইটানগর কেপিটেল রিজন এদমিনিষ্ট্রেসননা খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নৌনা থোরকখিবা ওর্দর অসিবু ষ্টেট অসিগী মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা ওর্দর অসি চৎনবা য়ারোইদবা ওর্দর অমনি অমদি ষ্টেট অসিগী মীওইশিংনা চারিবা চিঞ্জাক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা চৎনবী অমা খুদক্তা শেন্বা হায়বসিসু লোগী মায়োক্তনি হায়রি। মফম খরদদি খোঙজং ফাওবা চঙশিনখি হায়রি।

## চকমা অমসুং হাজোংগী মতাংদা এ টি আর সবমিট তৌরক্লবা য়ু এননা খঙহল্লকখ্রে





ইটানগর, জুলাই ১৫ (এজেন্সি) : লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেট অরুনাচল প্রদেশতা লৈরিবা চকমাশিং অমদি হাজোংশিংদা রেসিয়ল দিস্ক্রিমিনেসনগী থৌওং কয়া চথে হায়রিবা অসিগী মতাংদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা য়ু এনগী কম্মিটি ওন দি ইলিমিনেসন ওফ রেসিয়ল দিস্ক্রিমিনেসননা রিপোর্ট অমা অথুবা মতমদা পীখৎলক্লবা ইন্দিয়াদা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশতা লৈরিবা চকমা অমসুং হাজোং ফুরুপকী মীওইশিংবু ষ্টেট অদুদা য়াম্না হন্থনা য়েংবতা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা সেন্সসতা মখোয়গী মমিং মথা অমত্তা য়াওহন্দনা লাল্লি হায়না ফুরুপ অনী অসিগী মীওইশিংনা য়ু এন দা অঙ্গবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখিবনি। ষ্টেট অসিদা মতম কয়াগী মমাংদগী অপীকপা ফুরুপ অনী অসিনা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাল্লি। মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মতাংদা মমাং চহীদা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখি। মখোয়গী ৱাকৎ অদু তারবা মতুং জজ অনীনা শাবা বেঞ্চ অমনা হিরম অসিগী মতাংদা থিজিল্লবা মতুং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা মখোয়শিং অদুবু সিটিজনশিপ এপ্লিকেসন এপ্লাই তৌবদা অয়াবা পীনবা খঙহল্লকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদু লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চকমা দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসন ওফ ইন্দিয়াগী ফাউন্দর সুহাস চকমানা ফোঙদোকখিবদা, সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অমা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি অরুনাচল প্রদেশ লৈঙাক্লা ইন্দবা হায়বসি লৈবাক অসিদা চকমা অমসুং হাজোংশিংগী ওইবা রুল অমদি লো অমত্তা লৈত্রে হায়বগা চপ মান্নে। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী মরী লৈনরিবশিংনসু অরুনাচল প্রদেশতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে হায়রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা চকমা অমসুং হাজোংশিংনা ন্যু দিল্লিগী জন্টর মন্টরদা খোঙজং ফাওবা চঙশিনখ্রবনি।

## ভিনিট বগারিয়া মীশিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা দিব্রুগর এদমিনিষ্টেসনদা ব্লেইম তৌখ্রে





দিব্রুগর, জুলাই ১৫ (এজেন্সি): থা অসিগী ৭ তা মশাগী ময়ুমদা থৌরি য়ান্দুনা শিজখিবা অসামগী এনিমেল এক্টিভিষ্ট ভিনিট বগারিয়া মীশি অদুগী ঙসি ফাওবা অসাম গভর্নমেন্টনা চেন্নরম্বা য়াই চিংনরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা লৈরিবা অদুগী মতাংদা অসাম কোংগ্রেসনা চীফ মিনিষ্টরবু পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীশি অদুগা মরী লৈননা দিব্রুগর এদমিনিষ্ট্রেসনদা ব্লেইম তৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অসাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট রনা গোস্বামিনা হায়, লৈখিদ্রবা এনিমেল এক্টিভিষ্ট ভিনিট বগারিয়াগী মমা মপানা মচানা হিংলিঙৈ মতমদা মখোয়গী ইমুংনা থেংনরিবা নুংঙাইতবশিং অদুগী মতাংদা দিব্রুগর পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলবসু করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌখৎপা লৈখিদে। মরম অদুদা মীশি অসিদা দিব্রুগর পুলিস চেন্নে হায়বদা অকায়বা লৈতে।

মীশি অসিগা মরী লৈননা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই খরা পুলিসনা ফাগৎখ্রে। অদুবু ফাগৎলবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা ঙসি ফাওবা পুলিসনা মখল অমত্তগী এক্সন লৌখৎপা লৈত্রি। মসিদা নত্তনা ফাবা ঙমদনা লৈরিবা মীওইশিং ফানবা পুলিসকী মায়কৈদগী হোৎনবসু লৈত্রি। মরম অদুনা ভিনিট মীশি অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওইরি। মসিদা পুলিসকী অচৌবা থৌদাং য়াওরব্রা হায়বসি হংনিঙাই ওইরল্লি।

ষ্টেট অসিগী লুচিংবা ওইনা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মরাল লৈবশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা এক্সন লৌখৎপা লৈত্রি। অমরোমদা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবশিংগী মনুংদা অমদি বি জে পিগী অকনবা ৱার্কর অমনিসু থাজবা য়াবা পাউশিংনা হায়রি।

## নাগা মীয়ামগীদমক মতম পুম্বদা লেপ্পুনা থবক তৌগনি : এন পি এফ

দিমাপুর, জুলাই ১৫ (এজেন্সি): নাগা মীয়ামগী আইদেন্টিটিবু নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) না ইকাইখুম্নবা উৎলি অমদি মতম পুম্বদা নাগা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌগনি হায়না এন পি এফ কী প্রসিদেন্ট শুরহোজেলি লৈজিতসুনা ফোঙদোকরল্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহী কয়াগী মমাংদগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাল্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরকপা হায়বসিসু পার্টি অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্দম্নি। মতম শাংনা চায়েৎনদুনা লাল্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু লোইশিন্নবা হোৎনবদা ৱাখল্লোন মান্নদবা খরা লৈবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা পায়খৎলল্লিবা থবক থৌরমশিংদা এন পি এফনা মপুঙ ফানা মতেং পাংগনি। অদুবু নাগালেন্দগী ওইনা লৈরিবা নাগা বোদিশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবা খরা লৈরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা হান্না পুরকপা মথৌ তারি। মতম অদুদা নাগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি।

অমরোমদা সেন্টরনা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অসিবু নম হাদুনা লোইশিন্নবা হোৎনরল্লিবা অসি লাইবক থিবনি। নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ৱারী শারিবশিংগী মনুংদা শরুক য়ারিবা নাগা ষ্টেক হোল্ডরশিংনসু থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়রি। নাগা মীপুম খুদিংমক্না নাগাগী মতম শাংনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাল্লিবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা শরুক য়ামিন্নসি হায়না অপিল তৌরল্লি।

## অলফা-আইগা মরী লৈনবা মীওই অমা বেঙ্গলুরুদগী ফারে

গুৱাহাটি, জুলাই ১৫ (এজেন্সি): অলফা-আইগা মরী লৈনরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অমা ঙসি অসাম পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা কর্নাতকাগী মনুং চনবা বেঙ্গলুরুদগী ফাবা ঙমখ্রে হায়না অসাম পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরল্লি।

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, ফারবা মীওই অদুগী মমিং রঞ্জিত গোগোই কৌই। মহাক অসামগী সদিয়া টাউনদগীনি। মমাং ইরাই নুমিত্তা পুলিসকা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অলফা-আইগী কেদর গ্যান অসোমগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ। ফারবা মীওই অসিনা মীয়ামদগী নম হাদুনা য়াম্লবা শেনফমশিং খোমগৎপা অমদি আলফা-আইগী মী রিক্রুইট তৌবগী থবকশিংসু তৌই। থাজবা য়াবগী পাউ অমা ফংলবা মতুং মহাকপু অসাম পুলিসকী টিম অসিনা বেঙ্গলুরুদগী ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3586



### ACROSS

1 Sea of the West Indies (9)
6 Flightless Australian bird (3)
8 Relative by marriage (2-3)
9 Short-handled axe (7)
10 Lufthansa, for example (7)
11 Exclude (5)
12 Lionel Bart musical (6)
14 Died down (6)
18 Spotted scavenger (5)
20 Worked up (7)
22 Bandit (7)
23 Fragrant shrub (5)
24 Tibetan ox (3)
25 Dad's army (4,5)

### DOWN

1 The Windy City (7)
2 Monarch (5)
3 Type of knot (7)
4 Reflected sounds (6)
5 Eminent (5)
6 Put on display (7)
7 Out-and-out (5)
13 Skating arena (3,4)
15 Arrears of work (7)
16 Inferred (7)
17 Infrequently (6)
18 Leisure pursuit (5)
19 Covered with water (5)
21 City in Oklahoma (5)

Solution 3585



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3987

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | | 9 | 8 |
| | | | | 1 | | 3 | 6 | |
| | 4 | 2 | | | | | | 1 |
| | | | 8 | | | 9 | | 3 |
| | 1 | | | | | | 5 | |
| 6 | | 7 | | | 1 | | | |
| 5 | | | | | | 2 | 4 | |
| | 2 | 6 | | 5 | | | | |
| 1 | 9 | | | | 7 | | | |

### Solution-3986

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 9 | 6 | 3 | 5 | 8 | 2 | 1 |
| 1 | 8 | 6 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 3 |
| 2 | 3 | 5 | 1 | 9 | 8 | 7 | 4 | 6 |
| 8 | 9 | 3 | 5 | 1 | 4 | 2 | 6 | 7 |
| 7 | 5 | 2 | 3 | 6 | 9 | 4 | 1 | 8 |
| 6 | 4 | 1 | 7 | 8 | 2 | 3 | 9 | 5 |
| 3 | 2 | 7 | 4 | 5 | 6 | 1 | 8 | 9 |
| 5 | 1 | 8 | 9 | 2 | 3 | 6 | 7 | 4 |
| 9 | 6 | 4 | 8 | 7 | 1 | 5 | 3 | 2 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NRCM DIMAPUR RECRUITMENT 2022 FOR YOUNG PROFESSIONAL

National Research Centre on Mithun (NRCM) Young Professional Recruitment 2022
Advertisement for the post of Young Professional in National Research Centre on Mithun (NRCM). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30th July 2022. Candidates can check the latest National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment 2022 Young Professional Vacancy 2022 details and apply online at the nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment 2022 page.
National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nrcmithun.icar.gov.in/. National Research Centre on Mithun (NRCM) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Young Professional
Job Location:
Medziphema, Dimapur, 797106 Nagaland
Last Date: 30th July 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification:
Young Professional-I: B.Com with Minimum 60% Markswith Minimum one year working experience in the purchase & stores section.
Young Professional-II: M.Sc Biochemistry / Plant Biochemistry / Agricultural Biochemistry or MVSc (Biochemistry).
Pay Scale:
INR
25000-35000/- Per Month
Age Limit: 21-45 Years.
How to Apply:
Walk-In-Interview 30.07.2022 Venue: National Research Centre on Mithun, Medziphema, Dimapur, Nagaland 797106 India. Candidates should bring original certificates and a copy of bio-data along with photocopies of certificates etc. No objection certificate from the current employer/wherever applicable for the interview.
Important Dates:
Published on: 15th July 2022
Last date for application is: 30th July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### HIGH COURT OF TRIPURA RECRUITMENT 2022 FOR GRADE III

High Court of Tripura Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ thc.nic.in. High Court of Tripura selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at West Tripura. More details of thc.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tripura High Court
invites applications for recruitment of Grade III
Grade III
Job Location:
The Registrar General Capital Complex
, Agartala, 799006 West Tripura
Last Date: 16 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 11 Posts
Tripura High Court Recruitment 2022 Grade III Job Vacancies Apply Online Application
Tripura High Court Recruitment 2022 Grade III Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022 Details
Company High Court of Tripura
Job Role Grade III
Education Requirement
Total Vacancy 11 Posts
Job Locations Agartala
Experience Fresher
Salary 27700 - 44770
Posted on 14 Jul, 2022
Last Date To Apply 16-08-2022
Educational Qualification: LLB
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
27700 - 44770
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Grade III in Tripura High Court.
How to Apply:
Candidates must apply for Tripura High Court Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the Tripura High Court Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Tripura High Court tsu.trp.nic.in
Step 2: Search the notification for Tripura High Court Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 14 July 2022
Last date for application is: 16 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

